# জমসেদপুর এফ সিনা বেঙ্গালুরু এফ সিবু পাঙ্জল ১-০দা থোইদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলগা ৩শুবদা লৈবা ঙমখ্রে

**29th Dec, Tuesday (42nd Match)**
**Chennaiyin FC**
**vs**
**ATK Mohun Bagan**
**Time : 7:30 PM**


বেঙ্গালুরু এফ সিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরী মচা সুরেস ৱাংজমনা বোল কাওশিনখিবা

ফটোর্দা, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ান সপুর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরবলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪১শুবা মেটচতা জমসেদপুর এফ সিনা বেঙ্গলুরু এফ সিবু পাঙ্জল ১-০দা থোইদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

জমসেদপুর এফ সিনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু মখোয়গী ওইনা ৯শুবা মেটচনি মদুগী মাংওইননা মখোয়না শান্নখিবা মেটচ ৮দা মেটচ ২ মায়পাক্লগা মেটচ ৪ দ্রো চৎখিবা অমসুং মেটচ ২ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন দা লৈরম্বনি। অমরোমদা বেঙ্গালুরু এফসিমখোয়না শান্নখিবা মেটচ ৭তা মেটচ ৩ মায়পাকপা ঙমখি, অদুবু মেটচ ৩ দ্রো চৎলগা অতোপ্পা মেটচ ১ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা ৩শুবা থাক্তা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেটচ অদু শান্নদ্রিঙৈ মাংওইননা টিম অনীম্মক মায়পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংনগী অচৌবা ৱাখল্লোন লৈখিবনি। হৌরকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সুরেস ৱাংজমনা টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল ক্ষেত্রিগা লোয়ননা ঙন্না এটেক চথবা ঙল্লবসু পাঙ্জল চনবদি ঙমখিদে।

অহানবা হাফ পাঙ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩০ হেল্লবা

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 11 | 3 | 8 | 16 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 7 | 5 | 1 | 1 | 8 | 3 | 5 | 16 |
| 3 | Jamshedpur | 9 | 3 | 4 | 2 | 10 | 9 | 1 | 13 |
| 4 | Bengaluru FC | 8 | 3 | 3 | 2 | 11 | 9 | 2 | 12 |
| 5 | Northeast United FC | 8 | 2 | 5 | 1 | 10 | 8 | 2 | 11 |
| 6 | FC Goa | 8 | 3 | 2 | 3 | 10 | 9 | 1 | 11 |
| 7 | Chennaiyin FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 7 | 7 | 0 | 9 |
| 8 | Hyderabad FC | 7 | 2 | 3 | 2 | 6 | 8 | -2 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 7 | 1 | 3 | 3 | 8 | 11 | -3 | 6 |
| 10 | East Bengal Club | 7 | 0 | 3 | 4 | 5 | 13 | -8 | 3 |
| 11 | Odisha FC | 7 | 0 | 2 | 5 | 5 | 11 | -6 | 2 |

ফাওবগা স্কোরাবোর্দতা পাঙ্জল অমত্তা লৈখিদে।

শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফ সিনা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় অনিকেট যাদবনা পীরকপা বোল অমদা ষ্টেফেন ইজেনা পাঙ্জল চন্দুনা মেটচ অদুদা মখোয়না বেঙ্গালুরু এফ সিবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঙ্জল অদু য়াম্না থুনা হন্দোক্লবা হোৎনখি। অদুবু মখোয়না পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু জমসেদপুর এফ সিগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা পাঙ্জল হন্দোকহনখিদে। বেঙ্গালুরু এফ সি ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা জমসেদপুরগী মখুত্তা মায়থীখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৩৩দা লৈখিবদগী ইন্দিয়ানা থোইবগী লম্বেল নকশিনখ্রে


ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটচমেন আউট তাহল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোক্লিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা মেলবোর্ন ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনখিবদা টিম অদুগী বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা শুপনগী রন ১৩৩দা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা মায়পাকপা য়াবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

মেটচ অদুগী ঙরাং নিনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ভিরাট কোহলিগী মহুৎতা কেপ্টেন ওইনা থৌদাং লৌরিবা অজিনক্য রহানেনা আউট ওইদনা রন ১০৪ লৌদুনা অমদি রবিন্দ্র জদেজানা রন ৪০ লৌরগা লৈদুনা পুন্না বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ২৭৭ লৌদুনা লৈখিবা অদুগী মখা চত্থরকপদা ঙসি ইন্দিয়াগী ওইনা মখাতাবা রন ৪৯ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

অজিনক্য রহানে ঙরাংগী স্কোর অদুদগী ৮ হাপচিল্লগা অপুনবা রন ১১২দা আউট ওইখি, মহাক্না পুন্না বোল ২২৩ মায়োক্নবদা ফোর ১২ লৌরমখি। অমরোমদা রন ৪০ লৌদুনা ঙসি মখাতানা শান্নরকখিবা রবিন্দ্র জদেজা রন ১৭ হাপচিল্লগা অপুনবা স্কোর ৫৭তা আউট ওইখি। মখোয় অনী আউট তাখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু বেটসমেন ৭ তুখিবদা রন ৩০৬ লৌবা ঙমখি। মখাতানা শান্নবা চঙলকখিবা বেটসমেনশিংগী মায়কৈদগী অহেনবা রন ২০ হাপচিল্লগা অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদু রন ৩২৬তা লোইশিনখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদগী রন ১৩১ শোত্থদুনা শান্নবা হৌরকখি। টিম অদুগী ওপনর জোর্জ বর্নস রন ৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা মার্সনস লাবুসাঙ্গে অমসুং অতোপ্পা ওপনর মেথিয়ু ৱেদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ৪২ ফাওবা পুরকখি। লাবুসাঙ্গে মশাগী রন ২৮ শুরকপদা আউট ওইদুনা ষ্টিবন স্মিথ শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মশাগী রন ৮ খক লৌদুনা লৈরিঙৈ আউট তাখি।

টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ৯৮ শুরকপদা ওপনর মেথিয়ু ৱেদ রন ৪০দা আউট ওইদুনা ইন্নিংস অদুবু ৫শুবা অমসুং ৬শুবা বেটসমেন ত্রাবিস হেদ অমদি কেমরুন গ্রিননা শান্নরকখি। হেদ মশাগী রন ১৭শুরকপদা আউট ওইদুনা টিম পেন শান্নবা চঙলকখি। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর ৯৮দগী হেনগৎপা ঙমখিদে। ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিনখিবদা গ্রিন অমসুং কম্মিনস মথংশিংনা রন ১৭ অমসুং ১৫ লৌরগা অপুনবা রন ১৩৩দা লোশিনখি। মখোয়না ইন্দিয়াদগী রন ২ হেন্দুনা

# ইন্দিয়াগী সুমিট নগাল ওষ্ট্রেলিয়া ওপনগী ৱাইল্ডকার্দ ফংবা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী থাদা শান্নবা হৌগদৌরিবা চহী অদুগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুমিট নগাল ৱাইল্ডকার্দ এন্ত্রি ফংদুনা শান্নবা ঙল্লগনি।

সুমিট নগালনা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনল (এটিপি) রেঙ্কিংদা মালেমগী ওইনা ১৩৬শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহাক্কী মথক্তা প্রজনিস গুনেশ্বরন্না লৈবাক অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চে ‘সিদনি মোর্নিং হেরাল্ড’দা পীখিবা পাউ অমগী মতুং ইন্না এসিয়া-পেসিফিক্কী ওইনা শান্নরোয় অনী ৱাইল্ডকার্দ পীবদা ইন্দিয়াগী সুমিট নগাল অমসুং চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১২৩দা লৈরিবা ৱাং জিয়ু খনগৎলকপনি। নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চহী কয়াদা টুর্নামেন্ট অসি জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্লম্বা অদু হন্দক্তি ফেব্রৱারী ৮দা হৌগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয় পুম্নমক ষ্টার প্লেয়র ঙাক্তনি হায়না মণিপুরদগী হৌখিবী দাংমৈ গ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে


পাঙ্জল চনখ্রবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকখিবা দাংমৈ গ্রেস (ফাইল ফোটো)

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী ষ্ট্রাইকর ওইরিবী মণিপুরী মচা দাংমৈ গ্রেসনা ফোঙদোকখিবদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খুদিংমক মশা-মশাগী ওইবা পোজিসনদা ষ্টার ঙাক্তনি হায়খিবগা লোয়নননা মখোয়গা শান্নমিন্নবা অসিনা মহাক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

মণিপুরগী চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী কাংভাই সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা দিমদাইলোং ভিলেজগী রোংমৈ ট্রাইবকী সাইমোন দাংমৈ অমসুং রিতা দাংমৈগী মচানুপী দাংমৈ গ্রেসনা ইন্টরনেলনল করিয়র অদু কুমজা ২০১৩দা এসিয়ন ফুটবোল ক্বালিফায়রগী ক্বালিফায়রদা শান্নবা হৌখি। মদুগী মতুংদগী মহাক ইন্দিয়াগী সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা লেপ্তুনা শান্নদুনা লাক্লি।

দাংমৈ গ্রেসনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)টিভিগা ৱারী শান্নবা অমদা হৌজিক ইন্দিয়াগী সিনিয়র ফুটবোল টিম অসিদা শরুক য়ারিবা অদিটি চৌহান, কেপ্টেন ওইরিবা লোইতোংবম অশালতা অমদি সঙ্গিতা বাসফোরগুম্বা শান্নরোয়শিং অসি মশা-মশাগী পোজিসন্দা ষ্টার ঙাক্তনি হায়খি। মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতুংদা শান্নরোয়শিং অসিগা শান্নমিন্নবা ফংবা অসি য়াম্না ৱাখল পোত্থানিঙাইনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ অমদি এ এফ সি ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা য়াম্না চাওনা অহোংবা অমা লাক্লগনি হায়খি।

ইন্টরনেলনল ষ্টার ওইরবা ঙাঙোম বালাগা মহাক্না য়াম্না নক্লবা মরী লৈ। রেঞ্জর্স এফ সিদা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারী ইবা ঙমখ্রবী বালানা মহাকপু অহেনবা থাক্তা শান্ননিংবগী থৌনা পীবীখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা এ আই এফ এফকী অকনবা মীয়েংমখাদা হৌখিবা চহীখর অসিদা ইন্টরনেসনল এক্সপোজর কয়াগী খুদোংচাবা পীরকপা অদুনা হান্না ফিফাগী রেঙ্কিংদা ৬৭শুবা পোজিসন দা লৈরম্বদগী ৫৩শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙম্লিবনি হায়খি। ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ অসিনসু শান্নরোয়শিং অসিদা কান্নবা কয়া অমা পীরি হায়না দাংমৈ গ্রেসনা মখাতাখি।

# থা ৬কী রিফোর্ম প্রোগ্রাম অমা শেম্নবা হোৎনরি : ক্রেমলেভ

মোস্কো, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী নৌনা প্রসিদেন্টকী ফম পায়রবা রসিয়াগী উমার ক্রেমলেভনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্কদৌরিবা থা ৬ অসিগী মনুংদা ইন্টরনেসনল ওলম্পিক কম্মিটিনা পীখিবা কাঙলোনশিংগী মনুং চন্না এসোসিএসন অসি লৈননবা হোৎনবগীদমক্তা লৈরম্বা কাঙলোনশিং হোংদোক-হোংজিন তৌরগনি হায়খ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী নৌনা প্রসিদেন্টকী ফমদা খনখ্রবা ক্রেমলেভনা মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী রোইটর্সকা ৱারী শানবা অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা চহীদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসন অসিবু সস্পেন্দ তৌখিবনি। সস্পেন্দ তৌবগী অচৌবা মরমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা তোঙান-তোঙানবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টশিংদা শিন-লাংবদা অশোয়বা কয়া য়াওরকপা, লোয়ননা শেল-থুমগী মতাংদা চয়েৎনবা অমদি মীচং মীখায় নাইবগী থৌদোক কয়া লাকপদগীনি হায়রি।

নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরবা ক্রেমলেভনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংদা লৈরম্বা অশোয়বশিং অসি লাক্কদৌরিবা থা ৬/৭কী মনুংদা শেমদোক্তুনা আই ও সীনা পাল্লিবা কাঙলোন অদুদা চৎননবা হোৎনগনি হায়খি। উমার ক্রেমলেভ হৌজিক-হৌজিক রসিয়ন বোক্সিং ফেদরেসনগী সেক্রেটরি জেনরেলসু ওইরিবনি। চহী ২গী মনুংদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫০ খোমজিন্দুনা এসোসিএসন অসি শেমগৎকনি হায়না থাজবা থমখি।

# লেষ্টর সিটি অমসুং খৃষ্টল পেলেস পাঙ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে, ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অনীসু মায় পাক্লখিদ্রে


লেষ্টর সিটি অমদি খৃষ্টল পেলেসকী শান্নরোয়শিংনা দ্রো চৎখিবা মেটচতা বোল মুন্নবা

লন্দন, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি অমসুং খৃষ্টল পেলেস পাঙ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অনীসু মায় পাকপা ঙম্নদনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

ঙসি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা খৃষ্টল পেলেসনা য়ুম্নু ওইরগা লেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, লেষ্টর সিটি মমাংগী রাউন্দ ১৫ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৮ ফংলগা অহুমশুবা থাক্তা লৈরম্বনি। অমরোমদা, খৃষ্টল পেলেস রাউন্দ ১৫দা পোইন্ট ১৮ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী লম্বা অদুদা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা লেংমান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঙ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৩ চঙশিল্লকপদা খৃষ্টল পেলেসকী মায়কৈদগী এন্দ্রোজ টাউনসেন্দনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ৱিলফ্রেদ জাহানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্জল অদু চল্লগা লেষ্টর সিটিবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচকী মখা চত্থরকপা ফনা কুইনা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঙ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জোনি ইভান্সনা পীরকপা বোল অমদা হার্বি বার্নসনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী ১-১দা মান্নদুনা লৈখি। লেমহৌবা মিনটখরা অদুদা অহেনবা পাঙ্জল চন্নবা ঙমদবদগী দ্রো চৎতুনা লেষ্টর সিটি হান্না পোইন্ট ২৮ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরম্বা অদু ২৯ য়ৌরগা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুলনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগা শান্নবদা পাঙ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। লীগ অসিগী মকোক থোংলিবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী ১২শুবা মিনটতা জোইল মাটিপনা পীরকপা বোল অমদা সাদিও মানেনা অহানবা পাঙ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা পুংখায় হেনবগী মতম অদুদা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখিদে। মদুগা লোয়ননা লিভরপুলসু পাঙ্জল চনখিদে। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা ব্রোমৱিচকী মায়কৈদগী সেমি অজায়িনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

# ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এলিজ পেরিনা আই সী সীগী চহী ১০গী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মিংথোল ফংখ্রে





দুবাই, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ক্রিকেট মশান্নদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্বা শান্নরোয় কয়াগী মরক্তগী খ্বাইদগী ফজবা খনগৎপদা নুপাগী ওইনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি খনখ্রে। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওল রাউন্দর এলিজ পেরিনা মনা অদু ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিবু চহী ১০ অসিগী নুপাগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা ফংবদা নৎতনা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ফোর্মেটকী খ্বাইদগী ফজবগী মনা অদুসু ফংখি। আই সী সীনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী মমাংদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরম্বা গাফিল্ড সোবর্জকী মিংদা পীবা খ্বাইদগী ফজবা নুপাগী ক্রিকেট শান্নরোয়গী মনা অদু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ফংখিবনি। মদুদা নৎতনা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী মায়কৈদসু মহাক্না খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইবগী মনা অদুসু ফংখি।

আই সী সীনা মনা পীবগী অরোইবা ফল অদু ত্বিটরগী খূত্থাংদা ফোঙদোরকখিবনি। মদুদা ভিরাট কোহলিনা অপূনবা পোইন্ট ৭০গী মনুংদা ৬৬ ফংলগা মনা অদু ফংখি।

নীংশিংবা য়াই, চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেটচতা রন ১২,০৪০ লৌবা ঙমখি। টেষ্ট ক্রিকেটতনা রন ৭৩১৮ অদুগা টি-২০ মেটচশিংদনা রন ২৯২৮ লৌরগা ক্রিকেট মশান্নগী ফের্মেটি অহুম্মক্তা এভরেজদা রন ৫০ হেন্না লৌবা ঙমখি।

নুপীগী ক্রিকেটকী মায়কৈদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওল রাউন্দর এলিজ পেরিনা নুপীগী ওইবা মশান্না অহুমগী মনা অহুম্মক ফংবা ঙমখি।

মহাক্না আই সী সী ফিমেল ক্রিকেটরগী মনা অদু ফংবগা লোয়ননা ৱান দে ইন্টরনেসনল অমদি টি-২০গী মায়কৈদসু মনা অদু ফংবা ঙমখি। পেরিনা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ইন্টরনেসনল রন ৪,৩৪৯ লৌবা ঙমখি। মদুদা নৎতনা মহাক্না ৱিকেট ২১৩সু লৌখি। মদুগী মনুংদা পেরিনা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ মরি লৌবদা শরুক য়াখি অমসুং কুমজা ২০১৩গী নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনল ৱর্ল্ড কপসু লৌখিবা টিমদা শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা, মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা আই সী সীনা চহী ১০গী ওইবা লাউথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা মনাশিংগী মনুংদা আই সী সী স্পিরিট ওফ ক্রিকেটকী মনা অদু ফংখি। মহাক্কী মনা অসি কুমজা ২০১১দা ইংলেন্দদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অমদা য়ূম্নু লৈবাক অদুগী বেটসমেন ইয়ান বেলবু রন আউট তাহনখিবা অদু মওং চাখিদবদগী অম্পায়রনা আউট ওইরে হায়না পীরবসু মহাক্না কৌশিল্লগা শান্নহনখিবা অদুদা মালেমগী ভাবোকশিংনা মনা অদু খল্লকপনি।

আই সী সীগী নুপাগী টি-২০ ক্রিকেটকী হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু অফঘানিষ্টানগী স্পিন বোলর রসিদ খানদা পীখি। মশাগী চহী ২২দা ঙাইরিবা শান্নরোয় অসিনা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ৱিকেট ৮৯ লৌদুনা অতোপ্পা বোলরশিংদগী মহাক্না খ্বাইদগী হেন্দুনা মনা অসি ফংখিবনি।

# হোক্কি ইন্দিয়াগী থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা মখা তারকপা থা ৭ হেন্না শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা অপনবা পীদুনা শান্নরোয় অমদি মরী লৈনবা ওফিসল কয়াসু মখোয়না তৌগদবা থবক থৌরমশিংদা অৱাৎপা লৈখ্রবসু হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লোকদাউন মনুংদা পায়খৎখিবা ভর্চ্যুএলগী ওইবা কোচিং অমদি রিফ্রেশর কোর্স কয়া পাঙথোকখিবা অদুবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা হোক্কি ইন্দিয়ানা অতোপ্পা মালেমগী হোক্কি ফেদরেসনশিংনা থবক পায়খৎত্রিঙৈ মাংওইননা অহানবা ওইনা মরিক চুম্বা এস ও পি লাউথোক্তুনা অমদি তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী এক্তিভিটিশিং পাঙথোকপা য়াবা মতাংশিং অদু খঙহনবা লৈখি।

হোক্কি ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংদা লৈবা লোকদাউনগী মতমদা শান্নরোয়শিং, কোচশিং অমদি ওফিসলশিংনা মখোয়-মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াদ্রিঙৈ মনুংদা ভর্চ্যুএলগী খূত্থাংদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লৈবা এক্সপর্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি মশাগী পাঙ্গল হন্থদনবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎখিবা অদুবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী নৌনা থোকখিবা এস ও পিগী মতুংইন্না ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোক চাদা ৫০ মীৎয়েং তাহনগদৌরি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী নৌনা ফোঙদোরকপা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি)গী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোকশিংনা মীৎয়েং তাবা মতমদা ষ্টেদিয়মগী কেপাসিটিগী চাদা ৫০ য়াহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি চহী অসিগী নবেম্বর ২৫দা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা পীখিবা এস ও পিগী মনুং চনখিবা ভাবোকশিংগী মেনেজমেন্টকী মতাং অদুগী মতুং ইন্না ফোঙদোরকপনি। হোম মিনিষ্ট্রিগী গাইদলাইনগী মতুংইন্না ইন্দোর ষ্টেদিয়মগুম্বা অহাঙবা নৎতবা মফমদা শান্নবা ইভেন্টশিংদা ভাবোক ২০০ মীৎয়েং তাবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি। অদুবু হায়রিবা অয়াবা অসি ষ্টেট লৈঙাকশিংনসু মখোয়গী ওইবা কাঙলোনশিং অদুগী মতুংইন্না হন্থহনবা য়াগনি হায়রি।

অনৌবা এস ও পি অসিনা মখা তারকপদা শান্নবগী ইভেন্টশিং অদুবু শিন-লাংলিবা কম্মিটি অদুনা শান্নফম অদুদা কোভিদ টাস্ক ফোর্স থমগদবনি হায়রি। মসিদসু নৎতনা টুর্নামেন্টশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিং পাঙথোকপা মতমদা শান্নরোয়শিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা অমদি মখোয়বু য়েংশিনবা সপোর্ট পর্সনেলশিং অদুবু কুপ্না য়েংশিনগদবনি হায়রি।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিশিং অদুনা ইভেন্ট অদুগী মাংওইননা পুং ৭২গী মনুংদা আর টি- পি সী আর টেষ্ট তৌদুনা কোভিদ-১৯গী রিজল্ট খঙলগা শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং অদুবু শান্নফম অদুদা চঙহনগদবনি হায়রি।

# মায়কৈ কয়াদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট শৌগৎলক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌদোকখিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিবু মপূং ফাবা অমা ওইনবগীদমক্তা শান্নবগী মায়কৈ কয়াদগী মমিং লৈরবা লেজেন্দশিংনা শৌগৎলক্লি।

এথলেটিক্সকী লম্‌দা ইন্দিয়াগী ওইনা পুৱারী শেম্বা ঙমখ্রবা মিলখা সিংহ, ফুটবোলগী লম্‌দা ইন্দিয়াবু মালেমগী থাক্তা মশক উৎপা ঙমখিবা বৈচুং ভুটিয়া, নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয় মিথালি রাজ অমদি বেদমিন্টনগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় ওইরম্বা অদুগা হৌজিক-হৌজিক্না ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দনা লৈঙাক্কী ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিবু শৌগৎলক্লি।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা শীনখিবা ফিট ইন্দিয়া দাইলোগকী অনীশুবা এদিসনদা হায়রিবা মমিং লৈরবা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং অসিনা শরুক য়ারগা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসি শৌগৎলদুনা মখোয়গী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

মশাগী চহী ৯১ শুরবা মিলখা সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী হকশেল অসি চাবা-থকপগী মতাংদা য়াম্না চেকশিনফম থোকই হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা শাজেল তৌবসু লেপ্পা য়াদবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com